মোক ড্রিলগী মতাংদা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে

লক্ষ্ণৌ, জুন ০৮ (এজেন্সী):

মোক ড্রিল মনুংদা অগ্রাদা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা ওক্সিজেন সপ্লায় লেহনবদগী পেসেন্ট ২২ শিহনখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা উত্তর প্রদেশকী হেল্থ মিনিষ্টর জয় প্রতাপ সিংহনা ইনক্বাইরি অমা ওর্দর তৌখ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইভেট হোস্পিটাল অদু মমাঙদসু ৱাথোক কয়া থোকপা লৈখ্রে। হোস্পিটাল অসিদা শীরিবা মরালশিং অসি চুম্লম্লবদি গভর্ণমেন্টনা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি।

মোক ড্রিল অসি মেদিকেল সিষ্টেমগী শরুক অমরা হায়না হংবদা মিনিষ্টরনা হায়খি, অসিগুম্বা ড্রিলশিং অসিদি ফায়র ফাইটিং সিষ্টেম চেক তৌবখক্তা পাঙথোকই। পেসেন্ট ক্যেরগী মতাংদদি অসিগুম্বা ড্রিল পাঙথোক্লদে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট প্রভু এন সিংহনা হায়, হোস্পিটাল অসিদা অচৌবা আই সী য়ু ৱার্দ লৈ। মমাঙদসু অতৈ মীওই কয়া শিরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। থৌদোক অসি নীংথিনা থিজিনফম থোকই।

কোভিদ ভেক্সিন য়েন্থোকপগী মওং-ক্রাইটরিয়া খরদা য়ূম্ফম ওইরগনি: গভর্ণমেন্ট

COVID-19
POSITIVE

ন্যু দেল্লী, জুন ০৮ (এজেন্সী):

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি (য়ু টি) শিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজশিং লেম্না ফংহল্লিবা অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী হৌরগা মীশিং, লায়নাগী বর্দন অমসুং ভেক্সিন কাপ্পগী প্রোগ্রেসকুম্বা ক্রাইটরিয়াদা য়ূম্ফম ওইরগা য়েন্থোক্লগনি।

ইলিমেন্টশিং অসি নেসনল কোভিদ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্টেসনগী অনৌবা গাইদলাইনশিংদা য়াওরি। রিভাইস গাইদলাইনশিং অদু চহী অসিগী জুন ২১দগী চৎনবা হৌগনি অমসুং মতম মতমগী ওইনা রিভিয়ু তৌগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র (এম ও ঐচ-এফ দব্লিয়ু)না ইস্যু তৌবা গাইদলাইনশিংদা ভেক্সিন অরেম্বদা মাঙহনবা হায়বসি এলোকেসন লেপ্পদা নেগেটিভ মীৎয়েং লৈগনি হায়না পল্লি। অদুম ওইনমক ভেক্সিন কাপ্পদা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিং, ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং, চহী ৪৫ মথক্কী সিটিজনশিং, অনীশুবা দোজ কাপ্পা য়ারবা সিটিজনশিং অমসুং চহী ১৮ অমসুং মথক্কী মীওইশিংদা প্রাইওরিটি পীগনি হায়নসু গাইদলাইনশিং অদুদা পল্লি।

চহী ১৮ মথক্কী মীওই গ্রুপকা মরী লৈননা গাইদলাইনশিং অদুনা হায়রিবদি ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংনা ভেক্সিন সপ্লায় সেদ্যুলগী মতাংদা লেপচবা য়াই।

সেন্টরনা ষ্টেট অমসুং য়ু টি খূদিংমক্তা সেন্টরনা ভেক্সিন লেম্না পীদুনা জুন ২১দগী চহী ১৮ মথক্কী মীওই খূদিংমক লেম্না ভেক্সিন কাপ্পগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা অনৌবা গাইদলাইনশিং অসি থোক্লকপনি।

গাইদলাইনশিংদুদা য়াওরিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মেন্যুফেকচরশিংনা পুথোক্লবা ভেক্সিন অপূম্বগী চাদা ৭৫ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈগনি হায়বা য়াওরি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মেন্যুফেকচররশিংগী লৈরিবা ভেক্সিনশিং নেসনল ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌখিবদা তৌখিবগুম্না ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা মখা তানা তৌখিবগুম্না ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা মখা তানা লেম্না পীগনি। ভেক্সিন দোজশিং অসি প্রাইওরিটি মতুং ইন্না গভর্ণমেন্ট ভেক্সিনেসন সেন্টরশিংগী খূথাংদা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংনা সিটিজন খূদিংমক্তা লেম্না কাপকদবনি।

সপ্লায় তৌগদৌরিবা ভেক্সিন দোজ শিংগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ু টিশিংদা মাঙজেনা খঙহনগনি। অসুম্না, ষ্টেটশিং অমসুং য়ুটিশিংনসু দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং য়ু টিশিংদা মাঙজৌননা দোজশিংগী চাকথুংশিং খঙহনগদবনি। ইনকম ষ্টেটসকী খেন্নবা লৈহন্দনা সিটিজন খূদিংমক ভেক্সিন লেম্না কাপকদবনি।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা সর্ভিস চার্জ ওইনা দোজ অমদা য়াম্লবদা লুপা ১৫০ ফাওবা চার্জ তৌবা য়াই অমসুং অসুম্না চার্জ তৌরিবা মমল ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা মোনিটর তৌগদবনি। শেল তিংবা ঙম্বা মীওইশিংদি প্রাইভেট হোস্পিটালগী ভেক্সিনেসন সেন্টরশিং শীজিন্নবা পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়নসু গাইদলাইনশিং অদুনা পল্লি।

বাংলাদেশতগী নারোন্দা ফেক ইন্দিয়ন করেন্সি পুশিনবা গেংগী মীওই ২ ফারে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া-বাংলাদেশ বোর্দরগী নাকল অনিমক্তগী ওপরেট তৌবা ফেক ইন্দিয়ন করেন্সি নোট (এফ আই সী এন)শিং ইন্দিয়াদা লোন্না পুশিনবা গেং অমা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না থেংনরে।

গেং অদুগী মীওই অনী ইন্দিয়াদা এফ আই সী এন পুশিল্লিঙৈদা বি এস এফনা থোকপা ফাখি। বি এস এফনা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না স্মগ্লরশিং অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা বি এস এফনা বোর্দর এরিয়াদা চথুখিবা স্পেসল ওপরেসন অমদা ফাখিবনি। কন্সাইনমেন্ট অদু বাংলাদেশতগী ধুব্রি রিজনগী মনুং চনবা ইন্দিয়াগী বোর্দর এরিয়াদা লোন্না পুশিল্লকখিবনি।

স্মগ্লরশিং অদু অতৈ গেং মেম্বরশিংগী মরমদা হংহন্দুনা মখোয়গী ওপরেসনশিং, লোৎফমশিং, বাংলাদেশতা লৈরিবা সপ্লায়রশিং অমসুং কেস অসিগা মরী লৈনবা অতৈ ৱাফম কয়াগী মতাংদা কূপ্না খঙদোকহন্নবা ষ্টেট পুলিসতা শিন্নখ্রে।

A-COY
BOP TINTAPARA

কিলোমিটর ৪.০৯৬ শাংবা ইন্দিয়া-বাংলাদেশ বোর্দরদা অথিংবা থম্বা পোৎশক কয়া নারোন্দা পুশিল্লকপগী থৌদোকশিং তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। লৈবাক অনীগী বোর্দর ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা বি এস এফনা প্রোব্লেম অসি থেংনবদা বোর্দর গার্দ বাংলাদেশকী মতেং লৌদুনা লাক্লি।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চথুগদবা ইন্সপেক্টর জেনরেল বি এস এফ-রিজন কমান্দর্স বি জে পি লেভেল বোর্দর কোওর্দিনেসন কনফরেন্স নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌখিবগা লোয়ননা বি এস এফনা ফেক করেন্সি স্মগল তৌবা গেং অদু খঙখিবনি।

মীটিং অদুদা নারোন্দা এফ আই সি এন পুশিল্লকপা, বোর্দর ইস্যুশিং, ট্রান্স বোর্দর ক্রাইমশিং, ইলিগেল পোৎলমশিং, শা-ষণ স্মগ্লিং তৌবা অমসুং ইন্দিয়াগী লালহৌবা গ্রুপ কয়ানা বাংলাদেশতা বেজ ওইরগা ওপরেট তৌবা অসিনচিংবা ৱাফম কয়া কয়া খন্নখি।

কোভিদকী মীশি ৬৭ থেংনা রিপোর্ট তৌখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা তকশিনখ্রে

পনাজি, জুন ০৮ (এজেন্সী):

গোৱাগী প্রাইভেট হোস্পিটাল-শিংনা কোভিদ-১৯না মীওই ৬৭ শিহনখিবগী পাউ থেংনা পীবগী মতাংদা থীজিন্নবা ওপোজিসননা দিমান্দ তৌখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থোকপা কোভিদকা মরী লৈনবা অপদেটশিং য়াওবা নুংতিগী থোকপা চেরোল অমদা হৌখিবা চহীগী ওগষ্ট অমসুং চহী অসিগী মেগী মরক্তা ষ্টেট অসিগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা কোভিদনা মীওই ৬৭ শিহনখিবগী পাউ ওথোরিটিশিংদা থেংনা পীরকখি হায়না ফোঙদোরকপদগী ওপোজিসনগী দিমান্দ অসি লাকপনি।

হান্না শিরিবশিংদুগী মথক্তা কুমজা ২০২০গী ওগষ্ট ৫ অমসুং কুমজা ২০২১গী মে ২২ ফাওবদা শিখিবগী কেস ৬৭ হাপচিনখি। অহেনবা মীশি ৬৭ অদু প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা থেংনা রিপোর্ট তৌরকখি। হোস্পিটালশিং অসিগী মায়োক্তা পব্লিক হেল্থ এক্টকী চান্নবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়না গভর্ণমেন্টকী চেরোল অদুদা পনখি।

ষ্টেট আম আদমি পার্টিগী কনভিনর রাহুল মহামল্লেনা ফোঙ-দোরকপদা কোভিদ মীশিশিং থেংনা রিপোর্ট তৌরকপদুগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্ত অমসুং হেল্থ মিনিষ্টর ভিস্বাজিট রানেনা জুদিসল ইনক্বাইরি অমা ওর্দর তৌগদবনি। মীওই ৬৭ শিখিবদুগী মতাংদা পূং ২৪গী মনুংদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্কদবনি হায়নসু মহাক্না দিমান্দ তৌখি।

মহামল্লেনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ত্বীট অমদা হায়, গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী থাজবা মাঙবা থবক তৌই। ওপোজিসন এম এল এ রোহন খৌন্টেনসু কোভিদ মীশিশিং থেংনা রিপোর্ট তৌরক্লিবদুগী মতাংদা প্রোব চথনবা দিমান্দ তৌখি। খৌন্টেনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা কোভিদকী মীশি ৬৭ রিপোর্ট তৌখিদবা অসিনা নুমিৎ খূদিংগী পীরিবা কোভিদকা মরী লৈনবা দেটা গভর্ণমেন্টকী অপাম্বা মতুং ইন্না চপ চাবা উৎতে হায়বা ৱাফম অসিবু হেন্না থাজহল্লি।

হৌখিবা চহীদগী গোৱাদা পূন্না কোভিদ পোজিটিভ কেস ১,৫৯,৮১১ রিপোর্ট তৌখ্রে। কোভিদকা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসনশিংনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা পূন্না মীওই ২,৮৪০ লৈখিদ্রে।

ষ্টেলিন গভর্ণমেন্টনা ট্রান্সপর্সনশিংদা কোভিদ কেস রিলীফ পীরগনি

চেন্নাই, জুন ০৮ (এজেন্সী):

টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা রসন কার্দ পায়দবশিংসু য়াওনা ষ্টেট অসিগী ট্রান্সপর্সনশিংদা কোভিদ কেস রিলীফ লুপা ২,০০০গী অহানবা ইন্সটোলমেন্ট য়েন্থোকপা হৌরগনি।

ষ্টেলিন গভর্ণমেন্টনা মমাঙদা শেলগী রিলীফ অদু চেঙগী রসন কার্দ পায়বশিংদমক পীগনি হায়না লাউথোকখিবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মদ্রাজ হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস সঞ্জিব বেনর্জি অমসুং জষ্টিস সোন্তিলকুমার রামামুর্থিগী বেঞ্চতা শেংদোক ৱারোল অমা পীশিনখি।

রসন কার্দশিং পায়দবশিংদসু কেস রিলীফ ফংহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা দিরেক্সন পীনবা হায়জরদুনা ট্রান্সজেন্দর এক্টিভিষ্ট গ্রেস বানুনা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌবদগী খোঙথাং অসি লাকপনি। কেস রিলীফ অদু অহুমশুবা জেন্দরশিংগী ৱেলফ্যের বোর্দতা রেজিষ্টর তৌবা ষ্টেট অসিগী ট্রান্সজেন্দর খূদিংমক্তা ফংহনগনি। হৌজিক ফাওবদা ট্রান্সজেন্দর মীওই ৮,৪৯৩ রেজিষ্টর তৌরে।

ট্রান্সজেন্দর এক্টিভিষ্ট, রাইটর, আর্টিষ্ট অমসুং পব্লিক স্পিকর কালকি সুব্রামানিয়মনা এজেন্সিদা হায়, অহুমশুবা জেন্দরশিংগী ৱেলফ্যের বোর্দতা রেজিষ্টর তৌবা ষ্টেট অসিগী ট্রান্সজেন্দর মীওই খূদিংমক্তা কেস রিলীফ লুপা ২০০০গী অহানবা ইন্সটোলমেন্ট পীনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরক্লিবসি তরাম্না ওকই অমসুং য়াম্না থাগৎলি। টামিল নাদুগী এদভোকেট জেনরেলনা কেস অসিগী মমাঙগী হিয়ারিংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী সিম্পেথেটিক এক্সন লৌখৎকনি হায়বসি কোর্টতা কনফর্ম তৌখ্রবনি।

নৌনা পোকপা অঙাংদা ব্লেক ফঙ্গসকী সর্জরি পাঙথোকখ্রে

অগ্রা, জুন ০৮ (এজেন্সী):

অগ্রাদা লৈবা সরোজিনি নাইদু মেদিকেল কোলেজ (এস এন এম সী)গী দোক্টরশিংনা ব্লেক ফঙ্গস নৎত্রগা ম্যুকোরমাইকোসিসকী লাইওংশিং চেনবা নৌনা পোকপা অঙাং অমদা সর্জরি মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

হোস্পিটাল অদুগী ঈ এন টি দিপার্টমেন্টকী মকোক অখিলেস প্রতাপ সিংহনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা পোকপা নুমিৎ ১৪ নি শুবদা ঙাইরিবা য়েৎ থংবা খজাইদা মুনা খামহৎপা অমসুং নাই অমদি ঈশিং হান্দুনা পোন্বা অঙাং নুপী অমা হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা হোস্পিটাল অসিদা এদমিট তৌখি। দোক্টরশিংনা ওপরেসন মায় পাক্না পাঙথোক্তুনা ফঙ্গসকী ইনফেক্সন অদু লৌথোকখি।

অঙাং অদু এস এন এম সীদা এদমিট তৌখিবা মতমদা কিদনি অমসুং হার্টকী প্রোব্লেম লৈবগা লোয়ননা মশা লূম্বগী চাংসু ৱাৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক কোভিদকী লাইওংশিংদি চেনখিদে।

পোকপা নুমিৎ খরনিদা ঙাইরিবা অঙাং অদু হৌজিক খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে অমসুং পেদিয়াত্রিক দিপার্টমেন্ট নিওনেটেল আই সি য়ুদা হোংজিন্দুনা ওবজর্ভেসন্দা থম্লি হায়না দোক্টর প্রতাপনা মখা তাখি।

‘মীয়াম্না থৌশারক্ত্রবদি লোকদাউন থম্লকপা য়াই’

চান্দিগর, জুন ০৮ (এজেন্সী):

গভর্ণমেন্টনা পঞ্জাবতা মপূং ফাবা অকনবা লোকদাওন থম্বা পামদে হায়না মীয়ামদা ময়েক শেংনা থম্বগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা হায়খ্রে মদুদি ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা চৎনহল্লিবা অথিংবশিং নৎত্রগা কাঙলোনশিং ঙাক্লক্ত্রবদি অমসুং ফিভম ফগৎলকপগী মমি উদ্রবদি মহাক্না তঙায় ফদনা টোটেল লোকদাউন থম্লক্কনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লায়রবশিংদা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীগনি অমসুং মাইগ্রেন্ট লেবরশিং চৎনখিদুনা ইন্দষ্ট্রিশিং অমুক হন্না কাং-খোং চাইরগনি খনবদগী হৌজিক ফাওবদা মহাক্না ষ্টেট অসিদা অকনবা লোকদাউন থমদ্রি। অদুম ওইনমক, ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না অথিংবশিং চেকশিন্না ইল্লক্ত্রবদি হেন্না কনবা খোঙথাংশিং লৌখৎলক্কনি।

দি জি পি দিনকর গুপ্তগী মতুং ইন্না হৌজিক গভর্ণমেন্টনা থম্লিবা অথিংবশিং মীয়াম্বু শোয়দনা ইলহন্নবগী মথৌ তাবা থৌরাং খূদিংমক লৌখৎলে।

হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী শিখিবশিংগী ইমুংদা লিকর মাফিয়াবু কম্পেন্সেসন পীহনগৌরি

লক্ষ্ণৌ, জুন ০৮ (এজেন্সী):

য়ু পিদা লোনা য়াদবা মওংদা শুংবা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী শিখিবা মীওইশিংগী খ্বাইদগী নক্নবা ইমুংগী মীওইশিংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লিকর মাফিয়াবু শেলগী মতেং পীহল্লগনি।

হৌখিবা চয়োলদা অলিগরদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ৩০ হেন্না শিখ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা ইলিগেল লিকর আউটলেট খূদিংমক থুগায়নবা ওর্দর তৌখ্রে। এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (এ সী এস), হোম, অভানিশ অৱাস্থিনা এ দি জি (প্রোসিক্যুসন)দা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা এক্সাইজগা মরী লৈনবা মেট্টরশিংগী লিষ্ট অমা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে। লোনা য়াদবা য়ু শুংবা অমসুং য়োনবদা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবসু খঙহনখি।

অৱাস্থিনা হায়, য়ু পি এক্সাইজ এক্ট অমসুং গেংষ্টর এক্টকী মখাদা মরাল লৈবশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকদবনি।

এক্ট অনীসিগী মখাদা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌরবা অসিগুম্বা মীওইশিংগী অকূপ্পশিং ঈ-প্রোসিক্যুসন পোর্টেলদা অপলোদ তৌগদবনি অমসুং গভর্ণমেন্টতা তোঙান্না পীগদবনি।

সেক্সন ৬০গী মতুং ইন্না, ময়াই কাবা পোৎশক অমা ফংহন্দুনা নৎত্রগা য়োন্দুনা নৎত্রগা অসিগুম্বা পোৎশক অমবু হেন্না ময়ায় কাহন্নবা অতোপ্পা পোৎশক অমা হাপচিন্দুনা মী শিবা থোকহল্লবদি অদুগুম্বা মীওইশিং অদু শিবগী চৈরাক নৎত্রগা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবা য়াই।

করিগুম্বা অসিগুম্বা পোৎশকশিংনা দিসএবিলিটি থোকহল্লবদি মদুবু থোকহল্লিবা মীওই অদু চহী ৬তগী ১০ ফাওবা জেলদা থমদুনা থবক শুহনবা অমসুং লুপা লাখ ৫দগী লাখ ১০ ফাওবা ফাইন তৌবা য়াই।

চৈরকসিদা, হু চেনবা য়ু শুংনবগী মরু ওইবা পোৎচং অমা ওইরিবা মিথাইল অলকহোল থম্বা অমসুং য়োনবগী লাইসেন্সশিং অমসুং পর্মিটশিং ইস্যু তৌনবগী প্রোভিজনশিং শেমখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং লাইসেন্স ইস্যু তৌগদবা ওথোরিটি ওইহনখ্রে। এ সী এস এক্সাইস সঞ্জয় ভুসরেদ্দিনা হায়, মিথাইল অলকহোল হায়রিবা পোৎশক অসি হুনি হায়বসি পোইজন এক্টকী মখাদা লাউথোকখ্রবনি।

মিথাইল অলকহোল লান্না শীজিন্নবা থিংনবা পোৎশক অসিবু অশোয়-অঙাম লৈহন্দনা পুথোক পুশিন তৌবা য়ানবগী দিরেক্সন পীখ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা হায়রি মদুদি মিথাইল অলকহোল থম্বা অমসুং য়োনবগী পর্মিটশিং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদনা পীগদবনি।

রুলশিংগী মতুং ইন্না মেজিষ্ট্রেটকী মথক্তা ইন্সপেক্টরগী রেঙ্কতগী তাদবা পুলিস, রেভিন্যু, হেল্থ, এক্সাইজ এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী ওফিসরশিংদা লাইসেন্সশিং অসিবু য়েংশিন্নবগী শিন্নখ্রে। রুলশিং অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা মেম্বর অহুমগী নোদেল কম্মিটি অমা শেল্লগনি।

ভুসরেদ্দিনা মখা তানা হায়, মিথাইল অলকহোল শীজিন্নবগী মওংশিং য়েংশিন্নবা ওর্দর থোকখ্রে। করিগুম্বা লাইসেন্স পায়দবা য়ুনিট অমনা মিথাইল অলকহোল পুথোক্লম্বা থোক্লবদি এক্সন লৌখৎকনি।

মিথাইল অলকহোলগী টেঙ্কশিং অমসুং কন্টেনরশিং নীংথিনা মার্ক তৌবগা লোয়ননা টেঙ্করগী নাকল অনীমক্তা শুংশোয় শোয়দনা পোইজন মাইন য়েক্কদবনি। লোনা য়াদবা মওংদা মিথাইল অলকহোল য়োল্লম্বা মীওইশিং থেংনরবদি মখোয়গী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি।

মিথাইল অলকহোলদগী শেম্বা লোনা য়াদবা য়ু থক্লুবদগী মী শিবা থেংনরবদি নৎত্রগা লোনা য়াদবা য়ু মরাং কায়না ফংলবদি মদুগা মরী লৈননা লোকেল এক্সাইজ অমসুং পুলিস ওফিসরশিংগী থৌদাং য়েংশিনগনি। লোনা য়াদবা য়ুগা মরী লৈনবা এক্টিভিটিশিংদা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা গেংষ্টর এক্ট অমসুং এন এস এ পানগনি অমসুং মখোয়গী প্রোপর্টি মৎনবগী খোঙথাং লৌখৎকনি হায়না ভুসরেদ্দিনা মখা তাখি।

ষ্ট্রীট ভেন্দর লাখ ৩.৭কী ইন্টরেষ্ট য়াওদবা লোনগী শেনফম লুপা ক্রোর ৩৭০ থাদোকখ্রে

ভিসাখাপটনম, জুন ০৮ (এজেন্সী):

অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ৱাই এস জগন মোহন রেদ্দিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জগন্না থোদু স্কিমগী অনীশুবা ফেজ টাদেপলি কেম্প ওফিসতগী লোঞ্চ তৌখ্রে।

অন্ধ্র প্রদেশকী ষ্ট্রীট ভেন্দর অমসুং অপীকপা ভেন্দরশিংদা ইন্টরেষ্ট য়াওদবা লুপা ১০,০০০গী লোন পীরিবা জগন্না থোদু স্কিম অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবনি।

ভেন্দরশিং অসিনা নুমিৎ খূদিংগী ৱার্কিং কেপিটেল ওইনবা নোংমদা ইন্টরেষ্ট রেট য়াম্না ৱাংনা চাদা ৩দগী ১০ ফাওবগী চাংদা মনিলেন্দরশিংদগী লুপা ২,০০০দগী লুপা ৫,০০০ ফাওবগী লোনশিং লৌই।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অপীকপা (ভেন্দরশিং পীক্না লল্লোঞ্জবা ভেন্দরশিং) অসি মখোয়গী মার্কেটকী তম্বা ঙমদবা ফিভম্না মরম ওইদুনা অয়াম্বা মতমদা বেঙ্কশিংদগী শেলগী মতেং ফংদে। করিগুম্বা মখোয়না অতৈ ছোর্সশিংদগী লোন লৌবা তারবসু শেন্দোই ৱাংনা পী। ঐহাক্না কিলোমিটর ৩,৬৪৮ শাংনা ‘পদয়াত্রা’ চৎখিবদা ভেন্দরশিং অসিনা নুমিৎ খূদিংগী থেংনরিবা অৱাবশিং উখি। মখোয়গী অৱাবা কোহনবদা মতেং পাংনবা স্কিম অসি চৎনহনবসিদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই।

ত্রেদিসনল আর্টিজানশিং য়াওনা অসিগুম্বা অপীকপা বিজনেসমেনশিং অমসুং ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জান্না থোদু স্কিমগী মখাদা লুপা ৪৮,০০০গী ইন্টরেষ্ট থীরোইদবা লোনশিং পীনবা ৱারেপ লৌখিবনি। স্কিম অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ভেন্দরশিংবু প্রাইভেট পার্টিশিংদগী ইন্টরেষ্ট কা হেন্না ৱাংনা লোন লৌবা অমসুং শেন্দোনগী লাংদা থুবদগী কনবা অসিনি। স্কিম অসিগী মতুং ইন্না, বেঙ্কশিংনা ইলিজিবল মীওই খূদিংমক্তা লোন পী অমসুং গভর্ণমেন্টনা ইন্টরেষ্ট পুদুনা ইন্টরেষ্টকী শেনফম বেনিফিসরিশিংদা অমুক হন্দোকই। স্কিম অসিগী অহানবা ফেজ হৌখিবা চহীগী নভেম্বরদা লোঞ্চ তৌখি।

মীওই কয়া শোক্লে

বঙ্ক, জুন ০৮ (এজেন্সী):

বিহারগী বঙ্ক দিষ্ট্রিক্টকী নগর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মদ্রাসা অমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্তা থোকখিবা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মদ্রাসা অদু মপূং ফানা মাঙ-তাকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম অশোক অপন নংখ্রে। বঙ্ক নগর পুলিস ষ্টেসনগী ইন-চার্জ শম্ভু কুমারনা হায়, মোস্ক অমগী মনাক্তা লৈবা মদ্রাসা অদু মথোং মরম খঙদনা অয়ূক অঙনবদা পোকখায়-রকখিবনি। মীয়াম্না মীওই অহুম থৌদোক অদুদা শোকপা উনখি। তৌইগুম্বসুং পুলিসনা কনফর্ম তৌবদি লৈত্রি। মদু বোম পোকখায়বগী কেস অমা ওইবা য়াই হায়না থাজনরি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref.: Mut. Case No. 193/SDC/K dt. 01/10/2020

Thounaojam Ingobi Singh S/o (Late) Thounaojam Shyamjai Singh of Keirak Makha Leikai. -Petitioner

-Vs-

(Late) Thounaojam Shyamjai Singh S/o (Late) Thounaojam Tomal Singh of Keirak. -OP.P.

[illegible] / NOTICE

Kakching, the 8th June, 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচীং তহশিল খুল নং: ৬৫-কৈরক (১) অনৌবা পাট্টা নং: ৫৬২ অরিবা ১১৮৩ গী দাগ নং: ২১০২গী লম হেক্টর .২৭১৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম (২) অনৌবা পাট্টা নং: ৫৮২ অরিবা ২গী দাগ নং: ২২২৩গী লম হেক্টর .২৪৩৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম (৩) অনৌবা পাট্টা নং: ৬০৫, অরিবা ১৩০১গী দাগ নং: ২৩৬০ লম হেক্টর ৪৭০৫ চাওবা ফৌরেল লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লুগা উক্ত দংকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৬/০৬/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদগী অইবা চেনা ৱাকৎপীরকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথুজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Kakching

HL-B/6987/9

[illegible]
HEARTFELT CONDOLENCE

We, the members of **Ayurvedic Doctor's Association Manipur (ADAM)** are deeply saddened by the sudden demise of Shri Dr. Thangjam Ghanashyam Singh (M.O. AYUSH) of Keishampat Aheibam Leikai. He was posted at PHC Akampat and spearheaded COVID-19 related activities both in 1st and 2nd Wave. He contracted the dreadful virus during his duty and Expired on 29th May, 2021 at Raj Medicity.

In this hour of grief, we express our heartfelt condolence to the bereaved family and pray the almighty for the strength and perseverance to the family members to get through the difficult time of irreparable loss.

May his gentle soul rest in perfect peace.

Sd/- **Dr. N. Paona**
Secretary, ADAM

HL-P/9910/9

[illegible]/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Maharashtra	58,40,000+10,219	55,60,000+21,081	1,00,000+340
Karnataka	27,10,000+11,958	24,40,000+27,299	31,920+340
Kerala	26,40,000+9,313	24,80,000+21,921	10,157+211
Tamil Nadu	22,60,000+19,448	20,00,000+31,360	27,356+351
Andhra Pradesh	17,60,000+4,872	16,40,000+13,702	11,552+86
Uttar Pradesh	17,00,000+694	16,60,000+2,860	21,333+97
West Bengal	14,30,000+5,887	13,90,000+14,352	16,362+103
Delhi	14,30,000+231	14,00,000+876	24,627+36
Chhattisgarh	9,82,000+1,285	9,48,000+3,449	13,243+26
Rajasthan	9,47,000+629	9,23,000+3,429	8,687+31
Odisha	8,19,000+6,118	7,48,000+8,429	3,035+41
Gujarat	8,17,000+778	7,91,000+2,613	9,944+11
Madhya Pradesh	7,86,000+571	7,69,000+1,782	8,369+32
Haryana	7,63,000+640	7,46,000+1,674	8,751+39
Bihar	7,14,000+762	7,00,000+1,196	5,424+43
Telangana	5,93,000+1,933	5,64,000+3,527	3,394+16
Punjab	5,81,000+1,269	5,46,000+3,350	15,160+84
Assam	4,39,000+3,804	3,85,000+4,613	3,695+37
Jharkhand	3,42,000+358	3,31,000+726	5,060+6
Uttarakhand	3,34,000+395	3,14,000+2,366	6,731+32
Jammu and Kashmir	3,01,000+977	2,74,000+4,178	4,090+16
Himachal Pradesh	1,96,000+656	1,85,000+1,444	3,315+18
Goa	1,60,000+418	1,51,000+1,095	2,840+80
Puducherry	1,10,000+482	1,00,000+1,196	1,638+10
Chandigarh	60,707+48	59,193+139	774+2
Tripura	56,169+700	49,579+595	572+8
Manipur	**55,828+598**	**45,948+783**	**896+15**
Meghalaya	39,156+438	33,160+689	669+5
Arunachal Pradesh	29,696+360	26,131+513	125
Nagaland	22,918+145	17,786+171	429+3
Ladakh	19,258+61	18,052+139	195
Sikkim	17,170+59	12,846+314	273
Lakshadweep	8,775+38	7,889+195	41+3
Andaman and Nicobar Islands	7,131+12	6,912+18	123+1